**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 18-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসং কাংপোকপী জিলদগী য়াম্লবা বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

২) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হাইদ্রবাদকী রাষ্ট্রপতি নিলায়মদা ঙসি তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনগনি খরনা শঙ্গাগনি।

অমসুং

৩) ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- অনৌবা দিফেন্স পাব্লিক সেক্তর অন্দরটেকিংশিং অসিনা লৈবাক অসিবু দিফেন্সকী পোত্থোকশিংগী লমদা আত্মা নিরভর ওইহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

-------

পুলিস (এল) ঃ মণিপুরগী চিং অমসুং তমগী চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ওপরেসন চৎথবা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চৎথরি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- কাংপোকপী জিলাগী ফাইলেংদা থি হুম্বগী থবক চত্থবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা এস.এম.জি করবাইন অমা, পম্পিপ অমা, নোংমৈ মরু ২১ ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মোংগলহামদা কোরাং থোং মনাক্তগী কিলোগ্রাম ৫ মখায় লুম্বা আই.ই.দি অমা, কিলোগ্রাম ৫ লুম্বা আই.ই.দি অমা, কিলোগ্রাম ৪

লুম্বা আই.ই.দি অমা, কিলোগ্রাম ৩ মখায় লুম্বা আই.ই.দি ২ অমসুং মিতর ২৫ শাংবা কোর্তেক্সনচিংবা ফাগৎপা ঙমখি।

নেসনেল হাইৱে-থার্তি সভেন ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা নোংমদগী তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ২০৩ অমসুং নেসনেল হায়ৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা গাড়ি ২৫৩ ইম্ফাল তমা পুথোরকখ্রে।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা মপিথেল রিইদসতা অককবা পাউ অমা ফংবদগী ভারত লান্মী অমসুং মণিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুম্বগী থবক চখ্খ্রে। থিবা হুম্বগী থবক অদুদা কিলোগ্রমা ২১ মখায় লুম্বা আই.ই.দি ৫ ফাগৎপা ঙমখি।

ত্রেনিং (এল)ঃ নুমিৎ হুমি চুপা চখ্খগদবা ত্রেনিং কম কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম ওন ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ দিভলপমেন্ট থ্রু এক্বা পোনিক্স হায়বা থৌরম অমা ঙরাং মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা হৌদোকখ্রে। থৌরম অসি আই.সি.এ.আর-দিরেক্তোরেট ওফ কোল্ড ৱাটর ফিসরিজ রিছার্স, ভিমতালগী মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী জ়লোজি দিপার্টমেন্ট অমসুং ভারত বিকাশ পরিষদনা পুন্না শিনবনি। থৌরম অসিদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা ঙরাং জিলা অসিগী দি.সি অমসুং খুঞ্জাশিংগা এম.জি.এন.আর.ই.জি.এসকী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। খন্ন-নৈনবা অসিদা তামৈ ব্লোক্কী ভিলেজ ওথোরিতিশিং, দি.আর.দি.এগী ষ্টাফশিং অমস্ং তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- ভারত অসি মালেমগী ওইনা শেল য়ামা চংদবা মেদিকেল তুরিজমগী হব অমা ওইরক্লি। মসিদা ডোক্তরশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

অন্ধ্র প্রদেশকী এইমস মঙ্গলাগিরিগী ঙরাং পাঙথোকখিবা কনভোকেসনগী

থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- মেদিকেল প্রোফেসন অসি মীওইবা খুনাইগীদমক কৎথোক্লবা শিনফম অমনি। মরম অদুনা লম অসিদা থবক তৌরিবা মরুওইনা ডোক্তরশিংনা মীয়ামদা থম্মোয় শেংনা অনা লায়েংগী থবক তৌনবা হোৎনগদবনি। মসিগী মথক্তা মতমগী মতুংইন্না অনা লায়েংগী লমদা শিংনবা কয়া লাক্লিবা অসি থেংনবা ঙমবা থিজিনবগী থবকসু লেপ্তুনা চখ্থগদবনি। এইমস মঙ্গলাগিরিনা লমদম অদোমদা অনা লায়েংগী লমদা লৌরিবা থৌদাংবুসু রাষ্ট্রপতিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

মরক অসিদা, রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু হাইদ্রবাদকী সার্দন সোজোরগী নুমিৎ মঙানিগী খোঙচৎতা ঙরাং বোলারামগী রাষ্ট্রপতি নিলায়মদা থুংখ্রে। মসিগী মমাংদা তেলঙ্গনাগী রাজ্যপাল বিষ্ণুদেব বরমা, মুখ্য মন্ত্রি রেবান রেদ্দি, মন্ত্রি অনাসুয়া সিতক্কা, চীফ সেক্রেতরি শান্তিকুমারি অমসুং মকোক থোংবা মীওই কয়ানা রাষ্ট্রপতি হকিমপেদ এয়ারফোর্স ষ্টেসনদা হরাউ তয়ামা ওকখি।

শ্রীমতি দ্রৌপদি মুরমুনা রাষ্ট্রপতি নিলায়মদা ঙসি তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনগনি খরনা শঙ্গাগনি। লাকিবা ইরাই নুমিৎতা রাষ্ট্রপতিনা সিকন্দ্রবাদকী দিফেন্স মেনেজমেন্টকী কলেজদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা প্রসিদেন্টস কলরস মনা য়েন্থোক্কনি। শ্রীমতি দ্রৌপদি মুরমুনা ২০২২ দা রাষ্ট্রপতিগী ফম পায়খ্রবা তুংদা সার্দন সোজোরদা লাকপা হন্দক্কী অসিগা অহুম্লক শুবনি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা মিনিষ্ট্রিজ কন্সলটেতিভ কমিতিগী মীফমদা সভাপতি ওইদুনা শরুক য়াখ্রে। মীফম অসিদা অনৌবা দিফেন্স পাব্লিক সেক্তর অন্দরটেকিংশিংগী মরুওইবা থৌদাংশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে। মীফম অসিদা কমিতিগী মেম্বরশিংদা শেল থুমগী ফিভম, চাওখৎ থৌরাং, অনৌবা পোত্থোক পুথোকপগী থবক থৌরমশিং, চাদিং, হৌজিক হৌজিক চখ্থরিবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংনচিংবগী মতাংদা খঙহনখ্রে।

শ্রী রাজনাথনা হায়- অনৌবা দিফেন্স পাব্লিক সেক্তর অন্দরটেকিংশিং অসিনা লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাং, অনোবা খোঙজেলগী মায়ওন্না মালেমগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনগনি। মসিনা লৈবাক অসিবু দিফেন্সকী পোথোকশিংগী লমদ আত্মা নিরভর ওইহ্নবা ঙম্লগনি।

জিতেন্দ্র ঃ সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা ভারতকী অহানবা ওইনা এন্তি পেটিসাহ্দ বোদি সুট- কিষান কভচ ঙরাং লোঞ্চ তৌখ্রে।

সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়- লৌমীশিংনা লৌ উবদা শিজিন্নগদবা এন্তি পেটিসাইদ বোদি সুট অসিনা লৌমীশিংবু পেটিসাইদনা হকচাংদা শোকহ্নগদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্লগনি। বোদি সুট অসি শিজিন্নবা লোইরবা মতুংদা শুদোক চামথোকপা য়াগনি। মসিনা হকচাংদা কা হেন্না শোকহ্নগদবা মখল মখা কয়াগী লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্কনি।

পাউগী মীফম অমদা ডাঃ জিতেন্দ্রনা হায়- থৌরাং অসিনা লৌমীশিংবু শাফহল্লগনি। সরকার অসিনা লৌমীশিংবু অনৌবা মখলগী লৌউ শিংউগী পথাপশিং পুথোক্তুনা লৌউ শিংউগী লমদা হেন্না চাথোক লৈবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা পান্দম থল্লি।

দোবাল ঃ নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর অজিৎ দোবাল ঙসি চাইনাগী বৈজিংদা ভারত অমসুং চাইনাগী স্পেসিয়েল রিপ্রজেন্টেটিভ মীফমদা শরুক য়াগনি। মীফম অসিদা লৈবাক অনিগী চহি মরি হেন্না লদাখকী নোংপোক থংবা শরুক্তা লান্মীশিংগী মরক্তা উংখৎনবা লৈরিবা অদুগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি। শ্রী দোবালনা চাইনাগী মহাক্কা ফম মান্নবা মীওই অমসুং ফোরেন মন্ত্রি ৱাং লিগসু স্পেসিয়েল রিপ্রজেন্টেটিভ অসিদা ২৩ শুবা রাউন্দদা ৱারো শান্নগনি।

গুজরাত ঃ গুজরাতকী ভাবনাগর জিলাদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা

মীওই ৬ শিরে, ২২ শোক্লে। থৌদোক অদু জিলা অসিগী ত্রপাস খুল মনাক্তা থোকখিবনি। হাইৰেদা প্রাইভেট বস অমগা দম্পর ত্রক অমগা থেংগাইনবদা মীওই ৬ অদু লৈখিদবনি। অশোকপা মীওইশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিতালদা লায়কন্নরি। মুখ্য মন্ত্রি ভুপেন্দ্র পাতেলনা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা মীওইগীদমক থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। শোক্লবা মীওইশিং অদুসু অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়রি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লোক সভাদা ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন বিল পুথোকখিবা, অমিত সাহ অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাংগী মতাংদা মরৈ অনি লোংবা য়ানিংদে হায়না কংগ্রেসনা থমখিবা ৱাফম ঙসি ইম্ফালদা ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সনালৈবাক পাউচেদা- দিভিজন ভোৎ পাঙথোক্তুনা ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন বিল লোক সভাদা পুথোকখ্রে, হিরম অসিগী মতাংদা ওপোজিসন্না খোঙথাং অসি কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনি, দেমোক্রেসি খোঙগাউনবনি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসন অমসুং ঈচেল এক্সপ্রেসতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিগা মরী লৈননা নরেন্দ্র মোদিনা থৱায় য়াওজবা ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সনগী বিল করম থোক্লগবা। লোক সভাদা বিল পুথোরক্তুনা ভোৎ লৌনবদা বি.জে.পিগী এম.পি ২০ হেন্না লাকখিদ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অমিত সাহ অমদি নোংথোম্বম বিরেনগী মরৈ অনি লোংবা ৱাঙাংদা মীয়ামদি চমমরে হায়না বিরোধি দলনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক পিপলস ক্রোনিকল, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন অমসুং ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদ- পার্লিয়ামেন্টতা মণিপুরগী ইসু পুখৎপা ঙমদবা এন.ইগী রুলিং এম.পিশিং রিজাইন তৌগদবনি হায়না ওপোজিসন পার্তি ত্রিনামুল কংগ্রেস অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্তি ওফ ইন্দিয়া-মাক্সিসনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সংসক্তগী তেংনৌপল ফাওবগী লন্বী পাকথোকবা লুপা ক্রোর ৭৭৭ লাখ ৬১ কাইথোক্লে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর রোড, ত্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱে-নিতিন গদকারিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মণিপুর নিউজগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- থঙ্গাল কৈথেল মখল খুদিংমক্কী ফত্ত-হাউদিশিং হুন্দোকফম ওইরে হায়বা পাউ অমা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইন্দিয়াগা মরী ফৎত্রবা বঙ্গলাদেশকী শরুক খরা অরাকান আর্মিনা পায়খ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- নেসনেল হাইৱে টুদা য়েরুম পুবা ত্রক অমা মৈ থাখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুরদা কন্সটিট্যুসনেল রাইটস মৎলে, বি.জে.পিগী এম.পি অমত্তনা ৱাফম অমত্তা ফোংদোক্ত্রি হায়না ওপোজিসন্না রাজ্য সভাদা থাংগৎখিবা ৱাফম গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- তমেংলোংগী প্রজাশিংদা হেকরশিংদগী তোঙান তোঙানবা মখলগী কোল কয়া লাক্লে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------